# হুইয়েন লানপাউ
# HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses




কেশোরচন্দ্র ৰাংখেমচা থাদোক্লবা দিমান্দদা মায়কৈ কয়াদগী সোলিদরিটি পীনরক্লি হায়না মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট-শিংনা ফোঙদোকপা লামায় ৩



সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল চৎনবা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা শীংজমৈ অপূনবা নুপী লূপনা শিল্লগা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না শীংজমৈগী অকোয়বদা ৰাকৎ খোঙচৎ চৎখিবগী শক্তম লামায় ১



থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অহুমদা লৈবা লাইবুং ১৩ দা পেনাগী য়াকাইরোল মীয়ামদা তাহন্নবগী পান্দমদা মাইক য়েন্থোকখিবগী শক্তম লামায় ৩



থিনুঙ্গৈদা বর্দ সেঙ্কচ্যুরি শাবা য়ারোই হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দি এনাউন্সমেন্ট ওফ বর্দ সেঙ্কচ্যুরি এট থিনুঙ্গৈনা শিল্লগা মীয়াম্না চৎখিবা ৰাকৎ খোঙচৎকী শক্তম লামায় ৫

Vol. 42, Issue No.296 | নিংথৌকাবা, ৰাকচিং থানিল | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, January 21, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


MEDILANE

Medilane Ambulance number
8723004849, 7085244123
7085396969, 7005022100
These AMBULANCE NUMBERS are available 24x7 for emergency and accident.
Free AMBULANCE SERVICE for accident.


## চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী খূৎয়েক শারম্মী হায়বগী ৰাথোক

# হায় কোর্টনা সী বি আইদা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৰারি ২০(ঐচ এন এস): মমাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী খূৎয়েক শারম্বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌদোক অমমুক থোক্লকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুর য়ৌনরক্কুনা কোর্ট অসিনা তাংদাংবা অমা খঙদোক্লবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)দা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে।

অনৌবা ৰাথোক অসিগী মতাংদা সী বি আইবু থিজিনহন্নবা কোর্ট অসিগী ওর্দর অদু চৎলিবা থা অসিগী ১৪ দা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিননা লামায় ৭ পানবা ওর্দর অমদা পীখিবনি। অদুগা চীফ মিনিষ্টরগী খূৎয়েক শারম্লে হায়বগী লংলা-লংজিন অসিনা কোর্ট অসিদা ৰায়েল চখরক্লিবা কেস রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৯৪৬ ওফ ২০১৮ দা রেসপোন্দেন্ট অমা ওইনা য়াওরিবা ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট)না কেস অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ৩১ দা ফাইল তৌরকখিবা কাউন্টর এফিদেবিটতা ফোঙদোরকপনি হায়রি।

কেস অসিগী পিটিস্নরনা ৰাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইরোম মৈত্রাও মনিং লৈকায়দগী অহোংশাংবম প্রেমকুমার (৪২), অপোকপা এ ধবল্লোনি।

কেস অসিগী ৰায়েল চখরকপদা মহাক্না কোর্টতা ফোঙদোক্লিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট লোয়শঙগী মখাদা লৈরিবা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দ (এম বি সী দব্লিয়ু বি)গী মেম্বর ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ২০১৭কী মে ২৪ দা থোকখিবা ওর্দর অমনা মহাক খনখি।

অদুবু বোর্দ অসিগী চহী অহুমগী মপূন্সি লোয়দ্রিঙৈদা মণিপুর লৈঙাক্না অতোপ্পা নোটিফিকেসন অমা কুমজা ২০১৮গী মে ১৪ দা থোক্কুনা অনৌবা বোর্দ অমমুক লিংখৎখি হায়রি। অকোনবগী নোটিফিকেসন অসি বোর্দ অসিগী মেম্বরশিংনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা শীংনদুনা পিটিসন ফাইল তৌরকখি।

কোর্টনা মেম্বরশিংগী পিটিসন অদু লৌখৎতুনা হিয়ারিং চখরবা মতুংদা অকোনবগী ওর্দর অসি মখা তাবা য়াথং অমা পীদ্রিবা ফাওবা চৎনহন্দনা থমখি হায়রি।

তাল্লক্কুদা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট ৩১ দা পীরকখিবা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অমগী মতুংইন্না পিটিস্নরবু বোর্দ অসিগী রেগ্যুলেসন ওফ ইমপ্লোয়মেন্ট এন্দ কন্দিসন ওফ সর্ভিস রুলস, ২০০৮গী রুল ১৭(১) (এ)গী মতুংইন্না বোর্দ অসিগী চ্যেরপর্সন হাপ্লকখি। এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মহাক ফম অসিদা কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর ৫ দা জোইন তৌখি হায়রি।

অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ওক্টোবর ৪, ২০১৮দা পীরকখিবা চেরোল অমদগীনি হায়দুনা মিনিষ্ট্রিনা ওগষ্ট ৩১, ২০১৮দা পীরকখিবা মহাকপু চ্যেরপর্সন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবা ওর্দর অদু নমহৎলগা সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গো (৩৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ বোরাজাও, খুরখুল মখা লৈকায়দা লৈববু বোর্দ অসিগী চ্যেরপর্সন ওইনা খঞ্জিল্লকখিবনি হায়রি।

পিটিস্নর এ প্রেমকুমারগী পিটিসন অসিদা এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোবু চ্যেরপর্সন ওইনা হাপচিল্লকখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী ওর্দর অদু শীংনখি। এম এল এ, ঐচ দিঙ্গো মশাসু কেস (দব্লিয়ু পি (সী)-৯৪৬ ওফ ২০১৮) অসিগী রেসপোন্দেন্ট অমা ওইরিবনি। হায় কোর্টনা কেস অসিগী ৰায়েল চখরকখিবদা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখিবনি।

কোর্টনা পীবা নোটিসশিং অসিগী পাউখুম ওইনা রেসপোন্দেন্ট অমা ওইনা য়াওরিবা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট)না ফাইল তৌরকখিবা মহাক্কী কাউন্টর এফিদেবিটতা চীফ মিনিষ্টরনা কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ১৪ দা পিটিস্নরবু বোর্দ অসিগী চ্যেরপর্সন ওইনা খল্লক্কুবা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা ইখি হায়রিবা দি ও লেট্টরদুদা য়াওরিবা চীফ মিনিষ্টরগী খূৎয়েক অদু শাশিন্নবনি হায়দুনা ফোঙদোরকখিবনি।

এদিসনেল চীফ সেক্রেটরিগী কাউন্টর এফিদেবিট অদুগী মায়োক্তা পিটিস্নর মশানা কোর্টতা রিজোইন্দর অমা সবমিট তৌদুনা ৰাফম অসি অরানবনি হায়খি। অদুবু কোর্টনা থা অসিগী ১৪ দা পীখিবা রুল্লিংদা চীফ মিনিষ্টরগী খূৎয়েক শাশিন্নবনি অমদি অশেংবনি হায়দুনা য়েৎনরিবসিগী মতাংদা তাংদাংবা খঙদোক্লবা ন্যু দিল্লিগী লোধি রোদকী সি জি ও কমপ্লেক্সতা লৈবা সী বি আইনা থিজিল্লগা থা ১গী মনুংদা রিপোর্ট পীরক্লবা খঙহনখিবনি।

# নাগা লালহৌলূপশিংগা অথুবদা একোর্দ খূৎয়েক পীনরগনি : আর এন রবি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৰারি ২০(এজেন্সী): নাগা লালহৌলূপশিংগা অথুবা মতমদা একোর্দ অমা খূৎয়েক পীনরগনি হায়না দেপ্যুটি নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর আর এন রবিনা ফোঙদোকখ্রে।

নাগা ৰাথোক্কী অরোইবা ৰারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা রবিনা পাউমীশিংদা হায়খি, হৌজিক-হৌজিক খূৎলায় পায়বা নাগা লালহৌলূপ পূম্নমক ৰারী শানবদা য়াওরক্লে। এন এস সী এন (আই-এম) থারগা পূন্না লালহৌলূপ নিপানগা ৰারী শানরি।

ফোরম ফোর ইন্টিগ্রেটেদ নেসনল সিক্যুরিটি (এফ আই এন এস)না শীন্দুনা 'সেল্ফ রিলায়ন্স ইন দিফেন্স মেন্যুফেকচরিং' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা নেসনল কনফরেন্স অমগী নাকোয়ননা পাউমীশিংদা ৰা ঙাংবদা মহাক্না ৰাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কনফরেন্স অদুদা আর এন রবিনা হায়খি, নেসনল সিক্যুরিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মেক ইন ইন্দিয়া পায়খৎপা হৌখিবনি। লৈবাক অমা মপাঙ্গল কনবা তারবদি মরূপ-মপাংশিংগী অৱাৎপা লৈরোই। করিগুম্বা পাঙ্গল শোন্থরকপা তারগনা য়েক্লবা কয়ানা খূদোংচাবা লৌনবা হোৎনরক্কনি। মরম অদুনা নেসনল সিক্যুরিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

টেক্নোলোজিগী লম্দা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হোংলক্লিবা মতমগী ঈচেলগা চানগদবা মওংদা ইকনমি অমদি দিফেন্সনচিংবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর পূম্নমক মতমগা চুনহনবা মথৌ তাই। ৰাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টার্ট অপনচিংবা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপনি।

## ষ্টেটহূদ দেগী পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৰারি ২০(ঐচএন এস): মণিপুরনা ষ্টেটহূদ ফংখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইখিবগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমদা গভর্ণরনা হায়, কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৰারী ২১ দা মণিপুরনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইখি। হৌখিবা চহী ৪৭কী এচিভমেন্ট নৌহৌনা য়েংশিনবগা লোয়ননা চাউখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবগী মায়কৈদা খোঙ থাংজিন্নবা অমত্তা ওইনা খূৎশম্নরসি। মখা লামায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২২.৯৯ °C | ৭.২০ °C |
| চান্দেল | ২৭.৩৬ °C | ৮.৩৫ °C |
| সীসীপুর | ২৩.৯২ °C | ৫.৩২ °C |
| ইম্ফাল | ২৩.২৭ °C | ৫.০৬ °C |
| সেনাপতি | ২৩.৮৬ °C | ২.৮৬ °C |
| তমেংলোং | ১৭.৬৫ °C | ৭.০৬ °C |
| থৌবাল | ২২.৯১ °C | ৭.৫০ °C |
| উখ্রুল | ১৯.০৪ °C | ৬.৬০ °C |
| মণিপুর | ২৭.৩৬ °C | ২.৮৬ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.950516 |
| US Dollar | 71.222505 |
| British Pound | 91.694728 |
| Australian Dollar | 51.066465 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.512256 |
| Japanese Yen | 0.648886 |
| Malaysian Ringgit | 17.321881 |
| Australian Dollar | 51.066465 |
| Singapore Dollar | 52.341360 |
| South Korean Won | 0.063303 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.992668 |
| Thai Baht | 2.240209 |
| Myanmar Kyat | 0.04653 |
| Bangladesh Taka | 0.85527 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 33058.82 |
| Mumbai | – | Rs 34032.09 |
| Delhi | – | Rs 33957.22 |
| Kolkata | – | Rs 34213.90 |

### HL POLL

Q : Leingakna Traffic Signal Light system mathou ningthina pangthokhanba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : AC khudingmakta model school amamam thambana education system fagathangani khanbra?

Yes 32% No 68%

# সিটিজনশিপ বিল : পাক শন্না ৰাকৎ মীফম ফমখ্রে, মীয়ামগী ৰা লেপ্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে, নেসোগা সী এমগা উনখ্রে

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী ৰাকৎ খোঙচৎ চৎননবা হোৎনবদা পুলিসনা থিংখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৰারি ২০(ঐচএন এস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম), মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন দিল্লি (মসাদ), রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ), ওল মীতৈ পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এ এম পি এস য়ু এম) অমসুং ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও)না কৈথেল ফম্বীশিংগা পূন্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী খোঙচৎ চৎননবা হোৎনরকপদা পুলিসনা থিংখ্রে।

মহৈরোয় লূপ মঙা অসিনা শিল্লগা ঙসি ... মখা লামায় ৩ কলম ৭

## জন্যুৰারী ৩০ ফাওবগী মনুংদা এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম পাঙথোক্লনবা তকশিনবা হায়না ৰারেপ্লখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৰারি ২০(ঐচএন এস): মহৈরোয় লূপ ৬ (এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক, এইমস)না শীন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা ঙসি সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬কী মতাংদা মীয়ামগী ৰা লেপ্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

সিনিয়র সিটিজন ডা. লোকেন্দ্র অরাম্বমনা মোদরেটর ওইরগা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ৰা লেপ্নবা মীফম অদুনা তোঙান-তোঙানবা ৰারেপ মরি লৌখ্রে। ৰারেপশিং অদুদি, সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল খূদক্তা ৰিদ্রো তৌনবা তকশিনবা; ইন্দিয়া অমদি অৱাং-নোংপোক্তা লৈরিবা রাজ্য সভাগী এম পিশিংদা বিলগী মায়োক্তা লেপ্পীনবা আপিল তৌবা; সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা ৰারেপ লৌননবা জন্যুৰারী ৩০ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকহন্নবা তকশিনবা অমসুং মথক্তা পনখ্রিবা ৰাফমশিং অসিগী পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা পোলিটিকেল পার্টি, সী এস ও লোয়ননা মণিপুর অমদি অৱাং-নোংপোক্কী মীয়ামদা অপূনবা খোঙজং অমা চঙশিনবীনবা তকশিনবা হায়বসিনি।




খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা চেঞ্জ এন্দ পিছবিল্ডিং এক্সনগী দিরেক্টর আর কে বোবিচান্দ, সোসল এক্টিভিষ্ট জোন্সন এলাংবম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক্সকী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. চিংলেন মাইস্নাম, কলচরেল এক্টিভিষ্ট নিংথৌজা লানচা, এন জি কোলেজগী ... মখা লামায় ৩ কলম ৭

## মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনমিন্নসি : সিনাম প্রকাস

ইম্ফাল, জন্যুৰারি ২০(ঐচএন এস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন ( নেসো)না খোঙজং কয়া চঙশিল্লকখ্রবা তুংদা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা নেসোগী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৰারী শানখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগা উনরুরবা তুংদা নেসোগী সেক্রেটরি জেনরেল সিনাম প্রকাশনা হায়খি, নেসোগা উননবা চেবাউ পীরকপদগী ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদগী সী এমগা উনদুনা ৰারী শানখি। ৰারী শানবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা ক্লোজ অমা য়াওদ্রবদি বিল অসি চৎনবা য়ারোই হায়না সেন্টরগী লুচিংবশিংদা তকশিনখ্রে হায়বা ৰাফম থল্লকখি। নেসোগী মায়কৈদগীসু বিল অসি চৎনহল্লকপা তারবদি অৱাং-নোংপোক্তা লৈরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিং মুৎখিবা য়াই অমদি চাওনা অকায়বা পীরক্কনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্না বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্পীয়ু হায়বা ৰাফমশিং থল্লমখি। লৈঙাক্কসু সিটিজনশিপ বিল অসি ৰিদ্রো তৌগদবনি। বিল অসি চৎনবা য়ারোই। অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা নেসোনা বিল অসিগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। মখা তানসু খোঙজং কয়া হনবা লৈতনা চঙশিনখিগনি।

মীয়াম্নসু সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনমিন্নসি। বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌদনবা খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সনামহী লাইনীং চৎপশিং রিলিজিয়স মাইনোরিটি ওইনা শক খঙফম থোকই : সাপমচা জাদুমনি

ইম্ফাল, জন্যুৰারী ২০(ঐচএন এস): কম্মিটি ওন ইনক্লুজন ওফ সনামহী লাইনীং ইন দি লিষ্ট ওফ মাইনোরিটি রিলিজন ওফ ইন্দিয়া (সলাই মিরেল) না শীন্দুনা সনামহী লাইনিংবু রিলিজিয়স মাইনোরিটি ওইহন্নবা ঙসি জি এম হোলদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা সলাই মিরেলগী কনভেনর সাপমচা জাদুমনিনা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী লাইনীং-লাইশোন্দা য়েংলবসু মাইনোরিটি তারবা অমদি ইরমদম মণিপুরদা য়েংলবসু মাইনোরিটি তারবা সনামহী লাইনীং অসি করিগীদমক্তা রিলিজিয়স মাইনোরিটি ওইনা শক খঙবীদবনো। সনামহী লাইনীং চৎপশিং রিলিজিয়স মাইনোরিটি ওইনা শক খঙফম থোকই।




ইন্দিয়াগী ওইনা লাইনীং লম্বীদা মাইনোরিটি ওইরিবসি লাইনীং লম্বী তরুকনি। মরুওইনা মুসলিমগী মীওই ক্রোর ১৭, ... মখা লামায় ৩ কলম ৩

## জি ও সী ইন-চীফ মণিপুরদা লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, জান্যুৰারি ২০(ঐচএন এস): ইষ্টর্ন আর্মি কম্মান্দগী জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং ইন-চীফ, লেফটনেন্ট জেনরেল এম এম নরবনে নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা হয়েং মণিপুরদা থুংলগদৌরি।

পি আই বি (দিফেন্স ৱিং)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আর্মি কম্মান্দর অসিনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংশিনবগা লোয়ননা ঙমখৈদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা মকোক থোংবা আর্মি ওফিসলশিংগা ৰারী শানগদৌরি। লেফটনেন্ট জেনরেল নরবনে কুমজা ১৯৮০গী জুনদা সিখ লাইট ইনফেন্ট্রিদা কম্মিসন তৌখিবনি।

## মণিপুরগী মৈরাবা লূৱাংনা জুনিয়র বোইজকী ওল ইন্দিয়া রেঙ্কিং বেদমিন্টনগী টাইটল ফংখ্রে

বেঙ্গালুরু, জন্যুৰারী ২০ (এজেন্সী): বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা থা অসিগী ১৫দগী পাঙথোরকপা য়োনেক্স-সনরাইজ ওল ইন্দিয়া বেদমিন্টন রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৯দা মণিপুরদগী মাইস্নাম মৈরাবা লূৱাংনা জুনিয়র বোইজ (চহী ১৯ মখাগী) টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা নুমিত্তা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লূৱাংনা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান জুনিয়র শান্নরোয় ওইরিবা মধ্য প্রদেশকী প্রিয়াংসু রজাৱৎকা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুংদা ষ্ট্রেট গেমদা ২২/২০, ২৬/২৪ দা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা মৈরাবনা অহানবা রাউন্দদা উট্টরখন্দগী ভৱেস পান্দেবু ২১-১০, ২১-১০দা থোইরমখি। অনীশুবা রাউন্দদনা অন্ধ্র ... মখা লামায় ৩ কলম ৭

### অস! লোইরেহে!

বিলনা মখোয়না পাস তৌরগা ঐখোয়গী পার্টিনা হান্না থবক পায়খৎপা হৌরল্লে হায়রিনে?



ঐখোয়না থবক পায়খৎলম্মগা মখোয়না শঙ্গাবদনা মখোয়না তৌবনি হায়রিনে!

# ফ্লাইং এম্বুলেন্সকী সেঙ্কসন লাক্লে : চীফ মিনিষ্টর



ইম্ফাল, জন্যুৰারি ২০(ঐচএন এস): ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়াদা অনা-লায়েংগী খুদোংচানবগীদমক পায়খৎকদৌরিবা ফ্লাইং এম্বুলেন্সকী সেঙ্কসন লাক্লে, থবক হৌনবা হোৎনরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা এন বিরেনন্না ঙসি চীংঙামখা লূৱাংপোকপা মোদেল ক্লবকী গ্রাওন্দা পাঙথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামগী ফঙ্কসন্দা ফোঙদোকখ্রে।

শীংজমৈ প্রোগ্রেসিভ কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, অনা-লায়েংগী লমদা খুদোংচানবা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলি। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাংগী মখাদা লায়েংবা ঙমজদবা অৱাবা মীওই কয়াদা লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। স্কিম অসিগী মখাদা লুপা লাখ ২ ফাওবগী তেংবাং ফংহল্লি। প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌদোকপা অয়ুসমান স্কিমগী মখাদসু অনা-লায়েংগীদমক তেংবাং কয়া পীরি। স্কিম অসিগী মখাদা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী তেংবাং ফংহল্লি। ষ্টেট অসিগী চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়াদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক ফ্লাইং এম্বুলেন্সকী থবক পায়খৎনবা থৌরাং কন্না পায়খৎলি। ফ্লাইং এম্বুলেন্সকী সেঙ্কসন লাক্লে। রিমসতা হেলিপেদ অমা থম্নবা হায়রকপা লৈ। রিমসকী কেম্পসতা হেলিপেদ থম্বদা খুদোংচাদবা লৈগদবনা মতম খরগী ওইনা এয়রপোর্টতা হেলিপেদ ওইনবগী ৰাফম খন্নবা লৈরি। ফ্লাইং এম্বুলেন্স অসি থবক ওইনা পায়খৎলক্লবদি মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মফম কয়াদা অনা-লায়েংগী থবক্তা খুদোংচাগনি।

ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্না পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী খুদোংচাবা ফংফম থোক্লবা মীওই মশিং য়াম্না লৈরি। ফংফম থোক্লবশিং অসিদা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংহনবা চঙই। ইন্দিয়াদা হৌজিক লায়রবগী ... মখা লামায় ৩ কলম ৫




অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্নে
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...

খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্তুগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু

₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অখন্নবা শেমজবা package লৈজরি

Toll Free Number 1800-345-3838
GET IT ON Google Play

অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি

Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
MANIPUR CAB SERVICE 24X7

HL-P/2818/23/12/18-22/01/19


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫